পুন্সি নাচোম
বিবিধ জীবন
Miscellany Life

By
Md. Nizamuddin Haji
B.A., B.Ed., Ratna
Asstt. Headmaster,
Cosmopolitan Girls' High School

পুঙ্গি নাচোম


বিবিধ জীবন

Miscellany Life

By:

Md. Nizamuddin Haji
B.A., B.Ed., Ratna.
Asstt. Headmaster,
Cosmopolitan Girls' High School

Published By: Md. Nesar Ahmad, Wangoi.



First Edition : January, 2004

Price : Rs. 50/-

Printed At : GROM Offset Press, Uripok

য়াহৌদোক

ঐখোয়না চান্নিবা চিঙ্গাক অসিদা মখেল অমতমক ওইরবদি পেন্দে। মখল মখেলগী চিঙ্গাক চারগা মহাও মখল শুনা ফংলবদি পুক্লিংদা অপেনবা পোকই। কোক্তগী খোঙ ফাওবগী ফিজ্রোল অমতমক ওইরবদি শিজিন্নবদা খুৎলোয়রোই। পৃথিবীগী য়ামগ্রবা লোলশিংগী মনুংদগী অমতমক শাংলবদি সমাজদা চন্নবা য়াৎলি। তশেংনমক মীওইবগী পুন্সি খোঙচৎ অসি লমফাংদা চৎলি। মিৎয়েং অসিদা মণিপুরী, হিন্দী অমসুং ইংলিশকী য়ারেং, শৈরেং কয়াদা মখল মখেল কয়াগী বিষয় লৌখৎচদুনা 'পুন্সি মাচোন' কৌবা লাইব্রিক অসি ইজবনি। তোল্লবা ঐনা লাইব্রিক মচা অসি পুথোকচদুনা সমাজগী সেবা খজিক্তং ফংজনবা মপুগী থৌজাল নীজরি। লাইব্রিক অসি ফোঙবদা তেঙবাং পীবিরকপা পুম্নমকপু মতম পুম্বদা থাগৎচরি। লাইব্রিক অসিবু পাবিবশিংনা কান্নবা ফংলবদি হোৎনজমন মহৈ য়াম্লে খল্লগনি। করিগুম্বা মখলগী লানবা লাইব্রিক অসিদা অশাবশিংনা খেংনবিরবদি চুমথোকপীরকপদা তয়াম্না লৌজগনি।

অইবা

ৱামাঙয়ান্বা

মালেমগী লৈকোন্দা চঙদুনা হেক্রককপা লৈচলনা নাচোম শেমদুনা অনিঙবগী সেম্পাক্তা হাপ্লগা তাইবং ফম্পাক্তা থাঙতুনা পুম্নমক্কী ওইনা, পুম্নমক্তা মুহম্মদ নিজামুদ্দিন হাজিগী **'পুন্সি নাচোম'** — লাইরিক অসিনা করিগুম্বা খরদি কাম্নবা ফংহনগনি খঞ্জে। মৌনবা হায়বা শরুক অদু লাইরিক অসিদা য়াওদে খল্লি। লৈশক, লৈচু মখল মথেললনা শেম-শারবা নাচোম অসিনা মালেমদা অমম্বা নোংজুলক্কী অহিংদা নোংথাঙ অমদগী মাইকৈ লেপহৌবগী খুদোং চাবা ফংহৌবগুম তাইবংদা কাম্নবা ফংহনগনি খঞ্জে।

লাইবিক অসিদা ইরিবা মনিপুরী, হিন্দি অমসুং ইংলিশ - লোল অহুমদা তোঙান তোঙানবা বস বিষয়শিংদা য়াওবনা নৈনরগা পুন্সি খোঙচত্তা খোঙলোইনবদা কাম্নগনি খঞ্জে।

মুহম্মদ য়াকুব আলি,
রিটায়ার্ড টিচর
ইরোং হায় মদ্রাসা

प्राक्कथन

प्रस्तुत त्रिभाषीय पुस्तक 'पुसि नाचोम' (विविध जीवन) वस्तुत मानवजीवन के विविध कार्य-कलापो तथा सामाजिक घटनाक्रमों पर आधारित है। 'पुसि नाचोम' एम डि निजामुद्दिन हाजी के विलक्षण व्यक्तित्व एव अथक प्रयासो के परिणाम का दयोटक है। यह पुस्तक अग्रेजी, हिन्दी और मणिपुरी भाषाओ मे लिखी गई है। लेखक ने इन्हीं भाषाओ के माध्यम से अपनी विचाराधारा और भावना को विभिन्न विष्यो पर अभिव्यक्त किया है। मुझे इस बात के लिए किसी भी तरह की हिचकिचाहट नहीं है कि निजामुद्दिन हाजी को तीन भाषाओ की जानकारी है। यह पुस्तक लेखक के प्रथम प्रयत्न का पहला प्रकाशन होते हुए भी सफलता की सीढी पर चढनेवाली जरूर होगी। अत ये कहना मेरी ओर से अतिश्योक्ति नही है कि यह पुस्तक वर्तमान व भविष्य के जिज्ञासु पाठको के लिए अत्यधिक लाभदायक होगी।

देबेन्द्र नाहेश्वर।

FOREWARD

Md. Nizamuddin Haji is one among the few distinguished personalities who gives talk on various topics in English, Hindi and Manipuri in the radio programme of AIR Imphal His word and work witnesses his inspiration to give some valuable contributions to the society The present book entitled "**Punsi Nachom**' (Miscellany Life) is the result of his ceaseless labour in this direction To go through this collection of pieces in three languages rather refreshes a reader with an unusual taste I feel, this sincere work of the author will surely benefit the readers a lot

Md Ashraf Ali,
Lecturer, N G College, Imphal

CONTENTS

পুন্সি নাচোম
A. MANIPURI SECTION

১। নীজবা

উদ তাদ-খঙদ লৈতবা তেঙবাম্বগী মপুও!
ঙমদ কৌবদি লৈতবা পাঙ্গলবদিনে মপুও!

লোই'নায়রোইদবা শোনজবদা নগুনদিনে অথোইবা
শকচরি তোল্লবা ননাইনা নখুয়াদা অথোইবা!

শেম্বীয়ুনে মরুপ নহাক্কী পাঙজদ্রবা ননাইবু,
অচুম্বা লম্বীদা চৎনবা লমজিংবিয়ূ ননাইবু।

লৌশিংগী মঙালদি পীবিয়ূ শন্দোক্লবা তাইবংদা।
অঙৌব'থক্তা 'মুবনা চাক্তাহনববু তাইবংদা

ঙমহনবিয়ু নোমজবা ইখুৎসিনা তরাই-তরাইনা;
নঙগী তেংবাঙ য়াওদনা ঙপ্রোইদৌরি তরাই তবাইনা।

মপুগী খুৎশেম অখোইবা – মীওইবা জাতি পুম্নবু
মহৈয় লমদা মৌগনজবা ফংহনবিয়ু তোল্লববু।

তাইব' ঈথক ঈপোম'নঙ্গা তেক্ত কাইদ পুম্নি শাংনা
ফংজগে শেন' মীওইবগী অবাবদি লৈতনা

মা লোইদবা মাহ লনবু পামজকনে পঙলবনা,
পীর্নবিযুদা শোয়দ ঙামদ পীনহৈবা নহাক্না।

ঙাকপাহৈবদি নহাক্নি, খৌজালহৈবসু নহাক্নি
মঙফাওনদ্রিবা ঐহাক্নি, খঙজদ্রিবসু ঐহাক্নি।

ফোঙদোকপীবো ঐহাকপু তাইবং মালেম শিল্লা শঙসিদা।
ফংহনবীম্ কান্নবা কলমসিন্ যেংবা মীশংদা।

নঙগী মরূপ অচাননগী ; ঙাইনবান লৌবিদুনা
নী ভবা পুম্বা ঐহাক্কী থু হনবাগুদা শোযদনা।

কনাগা মেকোম্ন'দুবু কনাগা লৈকোন শেম্মখিনা
ন শিহৈবা নহাক্নি, ঙমদ কৌর্বদি লেতবা।

পুম্নি খোঙচা অনিমক্তা নাইফর্দি পীনানন্
স্বর্গগীদি নোকোম্ন ন মোখেম নমোন নোকহনবিয়ু

তঙন দপাক লানম্রবা হপা ইপুগী থবাইশিংবু,
পেলহনাম্মু উবগদি তোম্নবগী মযেকসিবু।



২। হজরত মুহম্মদ (ছ) গী পুন্সি অমসুং পাউতাক

হজরত মুহম্মদ (ছ) গী পোকপগী নুমিৎপু অরবী ৱাহৈদা "মীলাদুন নবী" হায়না খঙনৈ। মহাক্কী মপোক কুম্মোনবু "ঈদ দে মীলাদ", হায়বদি "হন্না হন্না লাকপা মপোক", নত্রগা "মীলাদ শরীফ", হায়বদি "অচৌবা মপোক" হাগনসু খঙনৈ। মহাক খৃ: ৫৭০ এপ্রিল ২২ নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা পোকখি। মপা ইবুংঙো অব্দুল্লা শিত্রবা মতুংদা পোকপা হজরতপু মবুবোক অব্দুলমটলিবনা "মুহম্মদ" হায়না মিংথোনবদা শাগৈ নাতৈগী মীশিংনা, খাইনা থোন্নদবা মিং অমবু থোল্লিদগী মরম হংবদা অব্দুলমটলিবনা খুমখি — "তাইবংপান্বা পুম্নমক্না ইশু অসিবু থাগৎনবা ফংনর্বনি"। অর্থবোমদা য়েংলবসু "মুহম্মদ" হায়বদি "থাগৎনবা" হায়বনি। মতম অদুগী চৎনবী মতুং ইন্না সহরদা পোকপা অঙাংশিংবু ঈশিং-নুংশিৎ ফবা খুঙ্গংগী লমগী য়োকচবীশিংদা শীন্নরগা যোকহন্নরম্মী, অদুগা হজরতপু হলিমা কৌবা যোকচবী অমদা শীন্নরম্মী। হলিমানা পীক্রিবা হজরতপু যোকপদা অঙকপা থৌদোকশিং থেংনখি। হজরতকী অথোয়বা মায়বু তাথোকপীগে, নত্রগা অথোযবা হকচাংবু ঈরুজবিগে হায়না হেক নিংলকপদা হান্না মায তাবিত্রবা, নত্রগা হকচাং ঈকজবিত্রবা ফিভমদা হলিমানা ফংখি। অকক্রবা মতমদা হক্কী ঈশিং অমদি অমাঙ অশোয তৌবগী দরকার ওইরকপদা হজরতনা হান্না ঈঙ্গিৎ হেক হেক তৌরকখি. ফী-বোলবু খক মাঙথোকহনখিদে; হজরতকী অমাঙবসু লৈপাক্না খুদক্তা [illegible]পাশিনখি।

হজরতনা, মশাগী চহি মরি শুরকপদা, মহাক্না অমৃৎ থকমিন্নবা অব্দুল্লা

কৌবা অঙাং অদুগা অতোপ্পা অঙাং খরগা হলিমাগী য়ুমগা পংথাপ থাপ্নদনা লৈবা চীঙয়া অমদা হামেং শেম্বা হেক হেক চৎলম্মী। নোংমদি ইখঙ খঙহৌদনা তাইবং মপুগী দূতশিং — জিব্রীল অমসুং মীকাঈল, অনিনা তাইবং মীগী শায়োন্দা লাক্লগা শঞ্জেনহাশিংগী মরক্তগী হজরতপু খাইদোক্তুনা লাপ্পা পুথোকখ্রগা হজরতকী অথোয়বা থবাকপু থাংনা খাইদোক্তুনা অথোয়বা থম্মোয়বু নিংখিনা শেংদোক্লম্মী। থৌদোক অদু উবদাময়াম্বা শক্লবা অব্দুল্লানা কপ্ল-কপ্লদুনা মমাগী মনাক্তা চেনখি অমদি থোকখিবা পুম্বা মমাদা তমখি। হলিমানা পাখৎপগা লোয়ননা চেল্লকখি, অদুম ওইনমক হজরতপু যৈখাই থিঙ্গাই লৈতনা ফংখি। হজরতনা থোকখিবা থৌদোক পুম্বা হলিমাদা তমখি, অমদি মহাক্কী খাইদোক্লবা থবাক হাম্নগুম্না ওইশিলহল্লম্নগা মীশক অনিদু খঙহৌদনা মাঙখি হায়নসু তমখি। হলিমাগী থম্মোয়দা মুহম্মদ (ছ) লাই ওক্লববা অঙাং অমনি হায়বগী অকিবা ব্রাখল পোক্লকপদগী ইকুই কুইথদনা হজরতপু মমা অপোকপী আমিনাদা শিন্নখি। হজরকতকী পুন্সিদা অথোয়বা থবাক ওপরেসন তৌদুনা অথোয়বা থম্মোযবু শেংদোকখিবসি মবিবক্নি ।

হজবতকী চহি তরুক শুবকপদা মমা ইবেম্মা নোঙ্গাখি। মশাগী চহি নিপান শুবদা মবুবোক অব্দুলমর্টলিব শিববদা মপন অবুটালিবনা মহাকপু মচাগুম্না নাওকোনবিখি। পোকপদগী অচুম্বতা ঙাংবা, অফবা থবক খক্তা তৌবা অর্মদি লৈদর্গা হেন্না থোৎপা থম্মোয় চেনবা হজবতপু মীপুম খুদিংনা নুংশিবিখি। মশাগী চহি ২৫ শুবকপদা খদিজা কৌবী নুপী অমগা হজরতকা লুহোঙখি। খদিজাগা যুম পান্বদগী মচানিপা অহুম অমসুং মচানুপী মবি ফংখি। মচানিপা অহুমক পীক্লিবৈঙদা শিখি।

হজনত মুহম্মদ (ছ) না য়ুমদগী থাপ্না চৎলগা অচিকপা মফমদা হেক হেক ধ্যান তৌবম্মী। মশাগী চহি নিফু শুবদা খৃঃ ৬১০ ফেব্রুঅরি ১২ নিংথৌকাবা নুমিত্তা হীরা চীঙজাওগী শুকং অমদা মহাক্লা সাধনা তৌবিবৈঙদা তেঙবাম্বা মপুগী দূত — জিব্রীল মনাঙদা ফাওবিবকখি। জির্ব্রীলনা মহাকপু, থৌজালহৈবা, পুম্নমকপু

শেম্বীবা মপুগী মিংলেন শোন্নবা হায়খি। মদুদা হজরতনা মহাক্তি লাইরিক হৈতবা ওইবনা মপুগী মতিক মগুন শোম্বা হৈজদে হায়ববদা জিব্রীলনা হজবতপু চেংনা কোনশিনবিখি। মদুদা হজরতকী মপানথোংগী হকচাংদা য়াম্না ব্রাবা ফংলবসু থম্মোগদদি মঙাল অমা ফাওরকখি। মপুগী কোলোয অমদি মতিক মগুন শোঞ্জবা হৈখি। জিব্রীলনা হজরতপু অল্লাহগী পাউ পুবা প্রোফেটনি হায়বন্নগা মশা মাংথোকখি। নুমিৎ অসিদগী হজবত 'নুবুবত' হাযবদি 'অবান খুবম' ফংলবা প্রোফেট অমা ওইখ্রে। যাম্না ব্রানা য়ুমদা হল্লক্লগা হজবতনা খদিজাদা থোকখিবা থৌদোকপু তমখি। খদিজানা থৌগল তৌবদুনা, মতম অদুদা মহে যাম্না হৈববা বনকহ বিন নৌফল কৌবা খদিজাগী মখুবাগী মচানিপা অমগী মনাক্তা হজনত লাকখি। হা। চাঙজাওদা থোকখিবা থৌদোক্কী মবমদা হজবতনা তন্নবদা অহল ওইবনা বনকহনা মহাকপু মপুগী প্রোফেট ওইববনি হাযখি অদুগা প্রোফেট নোসেম্কী নতৌগু ম্না পোক্লফম মক্কাদা হজবত কুইনা লেনা যানক্তবা শাই হায়নস না। দের্কখি

তাইনও মপুগী মগাথঙ তুংইন্না হজনতনা মীশিংদা "পুন্নমক্কী মপ অল্লাহ খক্তনি, মুহম্মদ (ছ) অল্লাহগী পাউ পুনা মনাইনি" হাযর্বাস থাজনিগু হাযনা মহাক্তা পথোক্লন্না ইসলাম ধর্ম অসিব শন্দোকপা হৌনবখি। যাম্না থুন। খদিজা, আলি, অবুবকব, বেলাল, জৈযদনচি-বনা ইসলাম বম লৌখি। তৌইগুন্নসু মংম অদুদা অববতা লাত, উজ্জা, মনাতনচিংবা লাইযামগী মূর্তি শাবগা লাৎপা মাযাম্না হজবতপু প্রোফেট অমনি হাযনা অহানবর্দদি যানিংলমদে অমদি মখোম্না মপা মপনা চৎলকপা ধর্মবু মুহম্মদ (ছ) না মাঙহনগদৌবে খন্দুনা নোংমদি অববকা খাইদগী চাওবা কুবেশ শাগেগী লুচিংবশিং লাক্লুনা অবুটালিবতা হাযখি _ "নহাক্কী নচানিপা মুহম্মদনা মথোং হুক্তবা থবক তৌবক্লে, নচাবু বানকউ।" বাহৈশিংসি তাবদা অবুটালিবনা হজবতপু কৌশিন্দুনা হংখি।— "ইবুংঙো, নঙনা কবি তৌক্লবনগে, ঐখোযগী শাগেগী লুচিংবশিংনা নহাক্কী মবমদা তাথিবা হাযবক্লিবসিবো?" হজবতনা খুন্নকখি — "ইপনথৌ, ঐনা নত্তবা থবক তৌখিবা লৈতে, তৌইগুন্নসুং ঐনা

মীয়ামদা অসিখত্তদি হায়জে "পুন্নমকী মপু অল্লাহ খত্তনি, মুহম্মদ অল্লাহগী পাউ পুবা মনাইনি, হায়বসি খাজবগা লোয়ননা চীন্দা হায়বিয়ু" হজরতকী য়াহৈশিংদু তাবদা লুচিংবশিং অদুনা শাওনিংবগা লোয়ননা, "মুহম্মদনা হায়রিবসি অঙকপা য়ানি, ঐখোয়গী চীঙউ লাইয়াযু মানা অমতা ওইহল্লবকো? ঐখোয়গী লাইয়াযু অখাঙ কনবগা লোয়ননা লাংকদবনি, মানা হায়রিবসি মাগী কান্ননবগীদমক্তি, মমাংঙৈদগী ঐখোয়না তারক্তবা য়াবু মানা শেমজিন-শাজিনবনি;" অসুম্না হায়নদুনা হন্নখি। পুন্নমকী মপুনা মহাকপু ধর্ম শন্দোকুবা সংসার অসিদা থারক্লবনিনা মানা মাগী শিষ্য পাংখোকপা লেঙকদ্রবনি হায়না হজরতনা হায়রবদা অবুটালিবনা হজরতপু ধর্ম শন্দোকপদা অখিংবা পীরমদে।

অরেপ্পা লৈতনা ইসলাম ধর্মগী পাউজেল শন্দোক্ক কপদা অরবকী মীয়াম্না হজরতপু অশেংবা প্রোফেট অমা ওইবরা হায়বগী চাংয়েং কয়া লৌখি। চাংয়েংশিং অদুগী মনুংদগী অমতং পল্লবদা - নোংমা নুংদাংগী মতমদা অবুজহিল, আস, রলিদনচিংবা মক্কাগী লুচিংবা কয়ানা পুন্না হজরত্তা হায়খি - "অতিয়াদা খোক্রিবা থা অসি তত্থাই খাইদোকউ, মদু শুব্রবদি নহাক অশেংবা প্রোফেটনি, ঐখোয়না নহাক্কী ধর্মবু লৌগনি।" হজরতকী খুদোংথীগী ঈজিত্তা থা তত্থাই তাখি, তত্থাই অনিদুগী মরক্তা হীরা চীঙজাও লৈখিবা অরবকী মীয়াম্না তশেংনা উখি। ঙাইহাক্কী তুংদা থা তত্থাই অনিদু অমুক পুনশিনখিদুনা অমত্তা ওইরবদা মক্কাবাসীশিংদুনা হজরতপু অচৌবা মিত্রং তৌবা অমনি হায়না শীংথাখি লোয়ননা য়াশক থুগাইদুনা মখোয় অয়াম্বনা ইসলাম লৌখিদে।

ইসলাম ধর্ম শন্দোকপা চহি ১১ শুরকপদা মশাগী চহি ৫১ খৃ: ৬২২ ফেব্রুঅরি ২১ গী অহিংদা, অল্লাহগী য়াথং তুংইন্না জিব্রীলনা হজরতপু "বুরাক" কৌবা ফজরবা স্বর্গগী জীব অমদা তোংহন্দুনা অল্লাহগী মনাক্তা পুথংলম্মী। থোঙচৎ অসিবু "মেরাজ" হায়না খঙনৈ। "মেরাজ"দা হজরতপু অল্লাহনা স্বর্গ অমসুং নরক্কী দৃশ্য উহনখি, লোয়ননা হজরত অমদি মহাক্কী তুংইনবশিংদা নোংমদা য়ামদ্রবদা মঙারক "নমাজ" পাংখোকপা হায়বদি অল্লাহবু খুরুমজবা অমদি অল্লাহদা প্রার্থনা

তৌবগী মওং তাকপীরক্লবা তুংদা হজরত অহিং অদুমক্তদা মরালয়াইদা হল্লকখি। নোংঙাল্লগা হজরতনা মক্কাবাসীশিংদা "মেরাজ" গী থৌদোকপু বারী শীদুনা তাহনখি। মদুদা অবুবকর অমদি অতৈ মুসলমানশিংনা অচুম্বনি হায়না লৌখি, অদুগা ইসলাম ধর্ম লৌদবা অতৈশিংনদি হজরতপু অচৌবা ঠক তৌবা অমনি হায়না শীংথাখি।

ইসলাম ধর্ম শন্দোকপনা লাইয়ামগী মূর্তিশিং বু লাৎপদা অকাইবা পীরকপা য়াই খন্দুনা মতম অদুগী মক্কাবাসী অয়াম্বনা হজরতকী য়েক্কবা ওইরকখি। ইসলাম শন্দোকপা তোকখিনবা হজরতপু মীয়াম্না ফু-য়ৈদুনা অন্নাবা কয়া পীখি, তৌইগুম্বসুং হজরতনা মহাক্কী শিন্দ্ম পাংথোক্লবা হোৎনবদা অরেপ্পা লৈখিদে। মমৈথংদা মীয়াম্না মাবু হাত্তোক্লবা হোৎনরক্লবদা তাইবং মপুগী থৌশিল তুংইন্না হজরতনা মক্কা থাদোক্লুনা খৃঃ ৬২২ জুন ২০দা মদিনা সহরদা লাকখি। মদিনাদা লৈরম্বা মীশিংনা হজরতপু তরাম্না ওকখি অদুগা মদিনাবাসী আয়াম্বা ইসলাম ধর্ম য়াম্না থুনা লৌখি। মক্কাদা লৈহৌবা মুসলমান খর অদু মথোয়গী লুচিংবগী তুং ইল্লক্লুনা মদিনাদা খুন্দখি। মদিনাদা লৈগ্রবসু ইসলাম ধর্ম মুথৎনবা মক্কাবাসিশিংনা হজরত অমদি মহাক্কী তুং-ইনবশিংগী মথক্তা হন্না হন্না লান্দারকখি। ধর্মগী লানফম খুদিংদা মুসলমানশিংনা মায় পাক্লুনা অরবথক্তদা নত্তনা পৃথিবীগী লৈবাক কয়ামুক্তা ইসলাম ধর্ম থুনা শন্দোকখি। অল্লাহগী য়াথং পুম্নমক চহি ২৩দা শন্দোক্রম্নগা সংসার অসিদা ধর্ম শন্দোক্লবা থাবিরকখিবা খ্বাইদগী অরোয়বা প্রোফেট হজরত মুহম্মদ (ছ) মশাগী চহি ৬৩ শুবদা মদিনাদা অরোইবা য়াহিপ তানখি।

হজরত মুহম্মদ (ছ)গী মশীং লাকঙমদ্রবা তোপ তোপ্পা অঙকপা গুনশিং চেনবনা ইসলাম ধর্ম শন্দোকপদা খুমাঙ চাওশিনখি। মহাক্কী অঙকপা গুনশিংগী মনুংদগী খরদং পল্লবদা - মহাক্কী অথোয়বা হকচাংদি মঙাল পীবা থাওমৈগী মশক ওইবনিনা নুংশাদা, থাবলদা মমি তারমদে। পুন্সিচুপ্পা মশাদা হয়িং তোঙলমদে। মহাক্লা নুংশাদা চৎপদা অত্তৌবা লৈচীনগী মরুম মশাদা তারম্মী। হজরতনা অনকপা, অরাপ্পা মান্নমা তারম্মী; অমম্বা অমদি অঙানবদা, অদুগা মাঙ-তুঙ মান্নমা উরম্মী। পম্বা য়াই - "বদর" গী লানফমদগী হজরত ইবুংঙোগী মীশিংনা বন্দী ওইনা

ফাবক্লবা যেক্লবা লান্মীশিংদগী জোরী লৌরগা নীংতম্মা থাদোকপা হৌরকপদা বন্দী ওইববা অব্দাসনা হজবত ইবুংঙোদা হায়রকখি - "ইবুংঙো, ঐদি লাযববনিনা জোবী পীবা ঙমদে, নপনথৌনি থন্দুনা ঐবু লেম্মা থাদোকপীয়ু"। বাহৈশিংসি তাবগা হজবতনা হায়খি "ইপনথৌনা ঙল্লাং নুংদাং ইমহানথৌদা শীন্নবা সনা অদু পুবক্লগা জোবী ওইনা পীববদি বন্দী ওইবদগী থাদোক্লনি।" বাহৈশিংসি তাবদা অব্দাস ঙকপদা ঙমখে লৈখিদে, মবমদি মহাক্লা মহাক্কী নুপীখক্তদা অতোপ্পা কনা খঙহন্দনা সনা মচেৎ অদু মক্কাদা শীন্নবম্মী। মক্কাদগী থাপ্লবা মদিনা সহরদা হৌজিক লৈববা মুহম্মদনা সনা অদুবু উনি খঙলিবসিনদি মহাক শোযদনমক প্রোফেট অমা ওইবগনি হায়না অব্দাসনা থনখি অমসুং মহাক্লা খুদক্তা ইসলাম ধর্ম লৌখি।

অঙকপনি তেঙবাখা মপুনা হজরত মুহম্মদ (ছ) দা পাবা শুনশি হজরতকী শমলা, ঈশিংদা তুমখোক্লগা, ঈশিং অদু অনাবা মাদা পাথকপদা অনাবা খুদক্তা যবম্মী। হজবতকা উনবদা ঙমখে লৈতনা কান্নবা ফংলম্মী। ঙাওববা ৬৮ অমা হজরত উক্লবদগা মপুস্নিচপ্পা ঙাওবা ফখি। পোকপদগী মবোল থোক্লনা নিপা অমদা হজরতনা, "ঐ কনানো!" হায়না হংবদা নিপাদুনা, "মহাক অল্লাহগা পাউ পর্বনি," হায়না খুদক্তা খুন্নকখি অদুগা নুমিৎ অদুদগা নিপা অদু মপুস্নিচপ্পা লোল থোক্লখি। হজবতকা খুৎ অচম্মা লত্তে। লানফম অমদা তেন্না পান্দুনা নিপা অমগা মিৎ নাম্মা চোংথোক্লন্দা হজরতনা মিৎ অদ খুনগক্তনা হান্নগা মিৎফমদা হাপচিনখি অদদগা নিপাদুগী মিৎ হান্নদগী হেন্না শেংনা উখিনম্মা হুর্দৌবিয়া বৌনা মযাম অমদা লান্না ১৫০ গী থক্লননা থর্মদি দলকান ওইবা শীজিন্নরবা ঈশি লৈত্রবদা হজরতনা ঈশিং হাপ্লবা পাত্রদা মহাক্কী অথোযবা খুৎ থিংজিল্লম্মী। হজরতক্কী খুৎশাশি দগা ইফুৎকী মতৌগুম্না ঈশিং চেন্থোবক্তনা লান্মীশিংদুগী ঈশিং অৱাৎপা লৈতনা ফংহনখি। "বদর" গী লানফমদা জযদ কৌবা লান্মী অমগী মনেংবান্দা যেক্লবগী থাঙশাংনা কম্না হাইথবক্তনা মপান্মোম থবাক থবাক যান্থদুনা লৈববদা হজবতনা মপান্মোম অদু শমজিল্লগা স্বন কামশিনবদগী খুদক্তা হান্নগুম্না ওইশিনখি।

লানফম অদুমক্তদা উকাশহ কৌবা লাম্মী অমগী থাঙশা, তেকখ্রবদা হজরতনা মঙোন্দা অকংবা উশাগী চৈ অমা পীবম্মী। চৈ অদুগী মতেংনা, থাঙগী মত্রৈগ্না লাম্মী অদুনা যেক্লবা কযাগী মঙকশিং ককৃখি। চৈ অদুবু "অউন" হায়না মীংথোনখি।

হজরতকী অথোযবা হকচাংদগী থোক্লককপা শুমাং মনম নুংশিবা লৈনমদগা হেন্না নুংশিবম্মী। মহাক্কী তিন তৈবগা মিৎ নাবা, হকচা দা থাঙনা শেকপা অমদি লিন্না চিকপগী হ্ খুদক্তা ফবম্মী। পম্না যাই হজরতনা মক্কা থাদোক্লুনা মদিনাদা চৎপদা "শুব" কৌবা চাঙ অমগী শুকং অমদা মহাক্কা লোয়নবা অবুবকরগা মত্রম খব পল্লবা তাখি। হজরতনা অবুবকরগী ফৈগন্দা মহাক্কী অথোযবা কোক ঙাথদুনা তুমলিঙৈদা শুকং অদুদা লৈবম্না অহোবা মখুল মেনশিল্লিবা অবুবকরগী খোঙপাক্তা লিন অমনা চিকখি। মহাক্না লেঙলবদি হজরতকা তুম্না কাইখিগনি খন্দুনা ওক্তি লৈববা অবুবকরনা খজিক যাওবা লেঙখিদে। তৌইগুম্বসুং কল্লবা হ চেল্লবা লিন্না চিকপগী চৈনা খাঙবদা খঙহৌদনা অবুবকরগী মিৎলদগী শিল্লবকপা পিগী মবিক অমা হজরতকী অথোযবা মাযদা তাখরে। মদুদা হজরত মিকপ থোক্লক্লুনা অবুবকরগী ওইনিবা ফিভমদু হ্‌বদগী খঙলবদা হজরতনা মশাগী তিন লিন্না চিকখিবা মফমদা তৈবম্মী। অদুদগী লিন্না চিকখিবগী হ খুদক্তা ফখিদুনা অবুবকরগী অবাবা কোকচখি।

হজরত মুহম্মদ (ছ)না শা শনশিংগী মপোল খঙলম্মী। মতাং অসিদা পম্না যাবদি নোংমা হজরতনা যুমদগী থাপ্লা লেঙথোবকপদা, শিকারী অনিনা মখোযগী লাঙদা থুববা শজী অমোম অমা ফাদুনা লৈবম্না থেংনবম্মী। শজী অদুনা হজরতপু হেক উবমক্তদা মশাগী মবোলদা সলাম তৌবগা হাযজবকখি "হজরত ইবুংঙো! ঐহাক্কী পীক্লিবা ইচা অনি অথাপ্পা মফমদা শুমদুনা থম্লমই। মিকুপ শনদং ঐবু থাদোকপিদুনা ইচা অনিদুবু ঐগী পুন্সিগী লোযবমদায মিকুপ অসিদা অম্রত অমুক্তং পীথক্লবগা মফম অসিদা তম্না লাকচগে, অদুগী তুংদা ঐগী শাদোংবু শিকারীশিংসিগী চিঞ্জাক ওইবিনবা শিকারীশিংদা হাযজনিযু!" শজী অদুগী বাপোল

পুন্না তম্লগা হজরতনা শিকারীশিং অদুদা মিকুপ খরদংগী ওইনা লমলক্কী শা অদুবু থাদোকপানবা হায়জরম্মী। অহানবদা য়ানিংলমদ্রবসু মমৈথংদা হজরতনা হন্না হন্না হায়জবদগী য়াবিরক্কুনা শিকারীশিংদুনা শর্জা অদুবু হজরতকী জামিন্দা থাদোক্রম্মী। ইকুই কুইথদনা শঙ্গী অদু মচা অনিগা লোয়ননা কম্না চেম্লক্কুনা হজরত অমদি শিকারীশিংগী মাঙদা লেপ্পরবদা হজরতপু অশেংবা প্রোফেটনি হায়বা শিকারীশিংনা থাজখি অমসুং খুদক্তা মখোয়না ইসলাম লৌখি, অদুগা শঙ্গী মপীমচা অহুমদুবু নীংতম্না থাদোকপীখি।

তেঙবাম্বা মপুগী খুৎশেমশিং - থবাই পাম্বা-পান্দবা, অচৎ চত্ত পুম্নমক্তা হজরতপু ইকায খুম্নরম্মী। হজবতনা চৎখি চৎখিবা মফমদা মাঙদা লৈবম্বা টাঙ অমদি উপালশিংনা মীবোল থোক্কুনা মহাকপু সলাম তৌবা মহাক্কী লোযনবশিংনা তশেংনা তারম্মী। থৌদোক অমসু পম্বা য়াই মসজিদ "নববী"দা থর্মগী পাউত্তাক মীযামদা পীবদা হজবতনা উগী যুম্বী অমদা হেক হেক ঙাথবম্মী। প্লেট ফোর্ম অমা শারবা তুংদা য়ুম্বী অদুদা ঙাখবা তৌদনা হজরতনা পাউতাক পাবা হৌবকপদা মহাক্কা খাইনবদা নুঙাইতবগী মতাগুম, য়ুম্বী অদুনা মীবোল থোক্কুনা হীক্লা হীক্লা কপ্লকপা মীয়াম্না এশেংনা তরম্মী। হজরতনা য়ুম্বী অদুবু লোনশিন্দুনা থেমজিনবদগী কপ্পা তোকখি। শাংথাবদা লোমঙম্রবোইদনা অঙকপা গুন কয়ানা লৈতেংলবা প্রোফেট অসিগী পাউতাকপু পৃথিবীগী মীপুম কয়ানা স্বাগৎ তৌই। ইসলাম ধর্মদা হজরতনা পীরম্বা পাউতাকশিংগী মনুংদগী খরদং মখাদা পনজরি।

অল্লাহবু থাজবগী মতাংদা প্রোফেটকী ব্রাহৈদা অসুম্না হায় - "নহাক্কী অফবা থবক্তা নহাকপু পেলহল্লবা অমসুং নহাক্কী ফত্তবা থবক্তা নহাকপু বাহল্লবদি নহাক অল্লাহবু থাজরবনি।" মপুবু নিংশিংবগী পন্দুপ্তা প্রোফেটনা অসুম্না ফোংদোকপীরম্মী "কনাগু ম্বনা মপুবু নিংশিংবা অমদি কনাগুম্বনা নিংশিংদবদি অহিঙবা অমদি অশিবগা পান্ধক্রি।" নাপল তৌনগী মতাংদা অসুম্না হায় - "মশাগী থম্মোযদা হঙ্গাম মরু অমগী চাংগা মান্নবা নাপল লৈবা মীদু স্বর্গ চংলোই," মহৈ তানশিনবগী হিবমদা অসুম্না হায় - "কনাগুম্বনা মহৈ তানশিনবগী লম্বীবু

খিরবদি তেঙবাম্বা মপুনা মহাকপু স্বৰ্গগী লম্বী লায়না ফংহনবিগনি। '' মপুদা নীজবগী মতাংদা অসুম্না হায় - ''মমা-মপাগী, লঙফৈ চৎপা মীগী অমদি লান্না ওৎপীববা মীগী প্রার্থনা মপুনা শোযদনমক লৌবি'' মীনুংশি লৈতবগী লমদা অসুম্না হায় - ''কনাগুম্বনা মহাক্কী মবী মতাগী লীপুন ককথৎলবদি মহাক্না স্বগ ফংলোই।'' অসুম্নসু হায ''অঙাংনা অহনবু ফজবা ব্যেবহাব তৌদ্রবা অমসুং অহন্না অঙাংবু নুংশিদ্রবা মখোযদি ঐখোযগী ইবক্তগী নত্তে, মখোযগী লৈফম নবক্তা খিজবসনু।'' চীনগা খুৎকা মান্নদবগী মতাংদা অসুম্না হায - ''সাধু চেঙজংবগী খুদম অহুম লৈ, মদুদি মীনম্বা ঙাংবা, বাশক থুগাইবা অমসুং মহাকপু থাজবিবিবা মীবু মহাক্না নমথাক তৌবা। সাধু চেঙজংবদি অনিশুবা সংসাবদা নবক্কী খ্বাইদগা মখা থংবা লৈবোন্দা লৈর্গনি।'' খৎনবগী হিবমদা অসুম্না হায ''পুম্নমক্কী মপুনা খ্বাইদগী ভূকৎচবা মীদি খ্বাইদগা খৎনগনবা মীদুনি।'' অশাওবা রাখলগী মতাংদা অসুম্না হায ''অকনবা মীদি অফবা মন থেংনবা মীদু নত্তে, মশাগী অশাওববু মশানা খুদুম চনশিনবা ঙম্বা মী অদুনি।'' মীপান হাংদনা পুন্সি লেনবগী হিবমদা অসুম্না হায - ''মশাগী মখুৎনা নোমজবগী মহৈ চাজবদগী হেন্না ফবা টাঞাক কনা অমওনা চাখিদ্রি।'' দান তৌবগী লমদা অসুম্না হায ''কনাগুম্বনা মশানা হিংলিঙেদা লুপা অমা দান তৌবনা মহাক্না শিববা মতুংদা মহাক্কীদমক লুপা চামা দান তৌবিবদগা হেন্না ফৈ।'' মীপোৎ পাম্বগী মতাংদা অসুম্না হায - ''কানগুম্বনা মাগী নত্তবা পোৎপু মাগীনি হায়না দাবী তৌববদি মহাক ঐখোয়গী ইবক্তগী নত্তে, অদুগা মহাক মহাক্কী লৈফম নরক্তা লাকচবসনু।'' আত্মঘাট তৌবগী পাবাদা অসুম্না হায় ''কনাগুম্বনা মশা মথন্তনা চীঙথক্তগী চোংথদুনা শিজববদি মহাকপু নরক্কী মৈকোম্দা হুনর্জিবিগনি অমসুং মহাক মদুদা মতম পুম্নমক লৈর্গনি। অদুগা কনাগুম্বনা হূ থক্কনা মশাবু হাত্তোকচববদি মখুৎনা হূ অদু পায়রগা থক্ক-থক্কদুনা মতম পুম্নমক নরক্কী মৈকোন্দা লৈর্গনি।'' মীবু তেংবাংবগী পাবাদনা অসুম্না হায ''মীবু তেংবাংবা মীদি মপুনসু মাবু তে বাংবা। যুমলোম্নবদা লৈবা মীশিংনা চানিঙাই লৈতদুনা মপুক লান্না লৈবগা মপুক থন্না চাঁবিবা মা

অদুদি মপুবু থাজবা মী নত্তে"! নাপল লৈতবা অমদি পুকচেল শেংবগী মতাংদা প্রোফেটকী বাহৈদা অসুম্না হায "নাপল তৌদবা, পুকচেল শেংবা অমদি মীগী লন্দোন লৈতবা মীদি স্বর্গ চংগনি।" অসুম্নসু ফেংদোকপীবম্মী - "মপুগী মফমদা খ্বাইদগী ইকাই খুম্ননিঙাই ওইবদি পুকচেল শেংবনি।"

প্রোফেট মুহম্মদ (ছ) না মীওইবগী যাইফননবগীদমক পীবম্বা পাউতাক শীংথাবা লোযঙব্রোই। অদুম ওইনমক জ্ঞান লৈবা মীদদি বাহৈ খজিক্রুসু ওক্রে হাযনা খনবা যাই। মীযামগী অফবা থবক তৌবা মীবু আশির্বাদ পীবা মীওইবগী হৌনশানি। মীওইবগী যাইফনবগীদমক সংসার অসিদা অবাবা কযা খাঙথ্রবা হজবত মুহম্মদ (ছ) গী শেংলবা আত্ম মতম পুন্নমক্তা ইংনা লৈসনু।



৩। মহৈ হৈবনা থবক ফংদবগী সমস্যা

মহৈ তম্বগী পান্দমদি লৌশি তানশিনবনি হায়না মী খননা লৌনৈ। মী কাঙলুপ অমনা অমুক মহৈ তম্বাদ জীবিকা তানশিনবনি হায়না খল্লে অদগা অহুমশুবা মী কাঙলুপ অমনা মহৈ তানশিনবদি অতোপ্পবু হেংবা নবনি হায়না থাজনৈ। মহৈ তম্বগী পান্দমদা মী কাঙলুপ অহুম অমিনা তেঙ্গন অতঙ্গনবা নাখংলান্দা পাথোক্লিন বাফমশি [illegible] মাৎকা ওইনা চুমবস মপুং ফানা চুমহই হায়বদি য়ারোই। বাখল্লোন অহুম অদগী অপুনবদনা মহৈ তম্বগী পান্দম অসি হায়বদি লানফাবনি

মহৈ তম্বদগী মী লকপা লৌশি অদুন থনক্রা। পাংশিল্লগ মীহৈনবা হি নবগী পোনম মাংলে। ইরোমদোম হ বা ঙমল। তু দা হি নদ বাবিবা অপাঙ্গন [illegible] সমাজ তাবা মীওইবগী হৌনশনি। মহৈ পুমমক্কী অশোইবদি লাইবিন হেবনি হায়না খাইনা লৌনৈ। হৌজিক্কী মতমদা পৃথিবীগী মী অমা [illegible] মযেক চৎলে হায়বা পুম্নমক্কা খঙনবা বাফমনি। মহৈ হৈনবসু সনকাবগী থবক ফংদে হায়দুনা বিদ্যাগী মমল লাইদ্রবা লন অদু শি থাদিবা মী লৈতবসু নত্তে। পৃথিবীদা চাওখৎখনা লৈবাকশিংদা লৈবা মীশিংগী চামদা চামা লাইদিক হে। লৈইবিব হৈনা মী পুম্নমক সনকাবগী থবক তৌবদি প্রজাগী মফম লৈফম থোক্কে নোংচুপলোমগী চাওখৎলদা খুমাঙ চাওশিনখ্রবা লৈবাকশিংদা মা খননা সনকাবগী থবক তৌখ্রগা প্রজা কয়ামক্কা মখোয়গী বিদ্যাগী লৌশিং অদু মবনাই থবক্তা

শিজিন্নৈ। হায়বিবা লৈবাকশিং অসিদদি সবকাবগী অপিকপা থবক তৌবদগীদি মবনাই কাববাব তৌবনা থোইনা হেন্না ইনাক খুনবা উই। মবম অসিনা হায়বিবা লৈবাকশিং অসিদা সবকাবগা থবক তৌবিনবা মী তাংই।

অদুগা শেল থুমগী ফিভমদা চাওখৎপা মপু ফাদ্রিবা লৈবাকশিংদদি সবকাবগী থবক তৌববু মমল যাম্না লৌনি। লৌনা যুম্নাববদা খোঙদাবক্কদৌবিবা নিপা নুপীশিংগা মাইকদা যে লুববস সবকাবগা থবক তৌদবা মীদা মচা পীনি দবা, থবক তৌদবীবু লৌনি দবা মী যাম্না লৈ। সবকাবগী থবক তৌবখক্তনা নঙাইনা পুন্সি লেপ্লি হায়না অযাম্বনা খল্লি। মত্তাং অসিদা ঐখোয়না মন্না খনফম খোকপদি ঐখোয় নাও ওমা পামত্রা, নত্রগা মীথা পোনবা পামত্রা, হায়বর্সিনি। সবকাবগী থবক তৌবদগী মবনাই থবক শুবন থোইদোক হেন্দোকা নীঙ খা তম্বা যংই হায়বসিদি শোইদ্রবা বাযমনি মবনাই থবক তৌবদগী সবকাবগী থবক তৌবনা দাযতং চাওবা য়াবা হেল্লি হায়বসি অযাম্বনা খন্দবগুম তৌই। মশাগী ওইজবনা মা ওইনবা, লেঙাগা মাইফমবনা তুং ওইনবা সবকাবগা কংচানা কমা লৈ•বা নত্রে। অসিগুম্বা কম্মা, লৌশি না প্রজাগা মথংদা থবক তৌবদগী লৈবাক্না চাওখৎ খোঙথাঙদা খানী তেলহল্লি মশাগী দাংবা মপু ফাউনা পা থোক্কবা, থোইনদম মশাগী নুঙাইনবগা শানবা কাংলা হায়গা চানিবা তাবাব অদুব মাওহ বগানা মাইহৈহ অদনা চাওখৎপা লপ খাদিব লৈবাক্কী প্রজা অযাম্বনা সবকাবগী থবক কনম্না য হাদবে হায়না তাংলদা মাংহাঙদ দুং মশাগী গুন কয়া মাংহনরে।

হৌজিক্কী মতমগা লাইবিক তম্রাব নহালোং। অযাম্বগ থংখোগদা মখোয়না মইভ তম্রাবদগী পাদম সবকাবগী থবক তৌবনা থমই। অদগা মাহ হৈবগা। দি চামদা চামা লৌবক্কদোবববনিনা মখোয় থুদি মক সবকাবগী থবক য বা ওইথোক্কে হায়বা খনফম থোকই। অদুনা লাইবিক তমহল্লিবা অঙা শি গী মন্দা মপা ওইবশিংগী মনুংদা খবনা সবকাবগী থবক তৌনববগী আশাদা মচাশিং বু মহৈ তমহল্লবসু অযাম্বনদি মবনাই থবক্তা পাম্দম থুনগা মই তমহনবনা থোইনা শাফগনি। সবকাবগী কর্ম্মচাবা ওইবা ফংলবোইদৌবে খন্দুনা মচাশিংবু মহৈ তমহনবদা নীংহন্নবদি চুম্রোই। মবমদি

মৈ, ঈশিং, নুংশিৎনা মাংহনবা ঙমদ্রবা, হৃবানবনসু হুবা ঙমদ্রবা, লন পুন্নমক্কী অথোইবা লম্নী হাযনিবা মহে লন অসি মবনাই থবক্তসু শিজিন্নবা তাই। ঐখোযনা তমজকবা লাইবিক্তগী ফংলকপা লৌশিং অদু ইবনাই থনক্তা শিজিন্নবদা লাইবিক্কী মহৈ চাদ্রে খনফবোই। তশেংবমক লাইবিক্কী লৌশি পানশিনবদা ইবনাই থবক কযাদা খুৎলোইবা ফংই, মীপাল তা দনা ইবোমদোম হি়ংননবা শু নোম্লীনা থবক খুদিংমক চীংলেম্বা ঙাক্তনি। অদগা মাবা মীশা তাগনবা কর্মচাবী ওইননবগাদমন মতম লৈনা খিবিত্তা খন্দনতা লেবনদি ম ফাওনবোইদবা ম লান ঃাদ্না ৫ াক্কনি। অমবোমদা অমুক, থবক্কী অচোপ অবেম, য়ফ ফত্ত খন্দনতা লেনগা খুৎ তিংথোক্তবাদ, "চালহাও থীগনবা মযা ক গল্লি," হাযনদু থোক্কনি। অমবোমদা হিংননবা শু নাম্লিনা মী খুদিংমক লোবাক্কা সেপা মখল অমা চৌনিবনি খননা ঃাই

লাইনিক লাইশু হৈনব চৌজক্কা নহানোল কমনা সনকাবদা থনক পান নানা য়নবা খোম্লাপ লাপনি। চৌইংশাগং নথক্তা পাংশিনগুম্ন লাইনিক হৈনগী নশা মান্না মাপর্মনা নহাননালশা অসিগী খোম্চাওগী মজুবা পাউখম সনকাননা লন ওনা থেকই মদম ওহনমক ইন । হশান্ ংনক পাজননগাদমক চৌন্ন ননা এজাকশ চি না কিন কমাগা যোজনা সননানন পুংাত্রি পুথোক্তনা হশানা হশনু থনক পান্ননগা মইগী পান অসিদা শুনাঙ চাওশিনননাদ থনক ফ দনগ। সম্যা খনমথেদি বোক্কনি সুপংগী সনাবন মহে ওম্নগী পনি দা প্রজা অযান্ননা নাফ ওর্নশিননন্নাদ পান্ননা সমস্যা অসি কোকহননা লাইনোহ লাইনিক্কী মঙাল নংলবা নহানোল কযানা "থনব শুযম লৈতে, শুনিঙাই লৈতে," নাওননি মতাং অসিদা এখোযনা নুন্না খঙ্গনিঙাই ওইনিবদি প্রকাতনা পাবা মালেম শানশঙ অসিদা শিন্থা লেতবা চৌনাদ হাযবসিনি পৃথিবীগী চাওখৎলবা সহব কমাদা লৈবা গুম কযামকমগী যুমথক্তা লৈশাক হেজিন্দুনা মনা মশিংগী পান্বী কয়া পাবি। হাযবিবা মনা মশিংগী পোথোকশিং অদুনা লৈবাক্কী আই হেনগৎহন্দনা চাওখৎপগী খোঙথাঙদা হেন্না হেন্না খুমাঙ চাওশিনহনবদা মতেং পাংলি। অশঙ অমান উখিদ্রবা মকভুমীগী

লম খবদা উপাল কয়া হৌজিক্কী মতমদা থানবে। উপালশিংগী মখোঙদা মকন্দ্যান্দগী নত্রগা সমুদ্রদগী চিংখৎলকপা ঈশিংনা তত্তনা চাইদুনা শাবেপ ফাববা উপাল কয়া উবে। অসিনদি বিদ্যাগী জ্ঞান কয়া কোক্তা লৈবিবদু খুত্তা পীশিল্লগা ওইথোক্লবোই খল্লম্বা কয়া হৌজিক ওইথোকহল্লে হায়বা তাই। অদুনা ফ্রান্সকী নিংথৌবেন নেপোলিয়াম্না হায়খিবা "ওইথোক্তবদি অপঙবগী ডিক্সনারীদতা ফংই," হায়বদু ঐখোয়না নিংশিংবস্ চুমগনি।

মীহি হৈবা নহারোল কয়ানা "থবক লৈতে, থবক লৈতে," হায়বসি তংনদগানি হায়নদা থবগী মখোদি চুমগনি। তন্দবগাদমক্তদি থবক্কী থবক ডাওনি হায়বসি মমা 'ঙদগী হাগনবক্রবা বাফান্ন। অদুগা "থবক লৈতে," হায়নবিনসি হকচাংনা লনা নান্না শুজনা যানা শিনফমদি ওইনঙ্গা যাই, মতম লৈবা খিংমক্তা হকচা দা অমোংপা পকহন্দনা জিবিকা তানবদি ওইথোকপা লনা থোকই অমনোমদা মীওইবন, হি নদা চংলিবা মমল যান্নবা চাঙক অসি অমোংপা লেখোমদগা পুথোনশিং লু নাম্না খক্তা লৈনিংবা মাবু অমোংপা মফমদগা থোক্লকপা পোপোক চানখং হায়বনা মহাক্রা যাগী গদ্রা? যানি লোঙদব ওইবদি অমোংপা মফমদসু মহাকা খনন নোম্বগী অতনবা লৈংবা তাই। ইশানা খ্বাইদগী পাম্না থবক ফংদবদগী শু নোম্বা ইংতৌ ভৌদ্রবদি অতনবগী পনখদা চনত্রগনি। অতনবগী পনখেদা চনখ্রবা মানা সববানগী কর্মচারী ওইববসু প্রজাগী যাইফবা পুবকপা ওইথোক্রোই। হাগবিবা কর্মচারী অসিনা মশাগাতা ওইজব তান্দনা অতোপ্পগী নংং পীদবদগী মীহি হৈবগী পান্দম মপু, মনা ফংলরোই। সবকাবগী কর্মচারী ওইববস্ মাচম ওইববসু অতনবা হায়বদুদি থাপ্পা থমখিবা তাই। অদুগা, "খোঙ হোংলগা চান চোৎলি," হায়বা চম্নবা পাউরৌ অদ কাওদবা তাই। লৈবাক অমগী চাওখৎপা পুনকপা হায়বসি থবগী মখোদি প্রকৃতিনা পীবা খুদোলগী মথা পোল্লি হায়বা চুমই। অদুম ওইনমক অতনবা থাদোক্তুনা পাঙ্গল, লৌশিং শিজিন্নদ্রবদি খুদোল অদু খুত্তা যৌবক্রোই। মবম অসিনা ঐখোয়না, " অতুম্বা নোংশাগী খযাত্তা শক্তী চংলক্তে," হায়বা

পাউরৌ অসিসু নিংশিংবা চুমগনি।

চাওখৎপা ব্রাৎলিবা লৈবাকশিংদা থবক ফংদবগী সমস্যা চাওনা লৈ হায়বা তত্তনা ঙাংনরবা ব্রাফম্নি। সমস্যা অসি কোকুবগীদমক সরকার অমদি প্রজা খুৎশম্নবা তাই। অমনা অমবু দোষ থৈজিন্নদুনা লৈবনদি সমস্যা অসি কোকহনবা ঙমফম থোক্তে: অদুগা মসি লৈবদগী লৈবাক্তি মনুংদা উপদ্রোপ কয়া থোকই। মহৈ হৈরবা নাগরিক কয়ানা মশানা মশাবু থবক পীজনবগীদমক থৌরাং কয়ামকম সরকারনা পাইখৎপগী দরকার লৈ। মশানা মশাবু থবক পীনবগা মরী লৈনবা বিষয় অমুক্কা হেন্না পুথোক্কুনা মহৈরোইশিংবু তম্বীবা মতমগা চুনবা ওইগনি হায়না লৌবা তাই। কনাগুম্বগী ইমুং মনুংদা মহী লাংবা থোকলকপদা ইমুংগী অহল ওইরিবদুনা থৌশিল হৈতবদগী থোকপনি হায়না মীয়াম্না লৌনৈ। অসিগুম্না লাইরিক হৈরবা নাগরিক কয়ানা থবক ফংদবগী সমস্যা মাযোক্নরিবসি সবকারনা থবক পীনবগী খুজিল থৌরাং লৌখৎপা ব্রাৎপদগীনি হায়না প্রজা কয়ানা লৌনৈ। মথম অসিনা সনকারনা মহৈ হৈরবশিংদা থবক ফংহন্নবগীদমক য়াবিবমথৈ মতেং পীবা তাই। অমরোবদা অমুক মহৈ হৈরবশিংনসু মখোয়না তম্নুরিবা লাইবিক্তগী ফংলকপা লৌশিংগী পাম্বৈনা মশানা মশাবু থবক পীননবসু হোৎনবা তঙাই ফদে। থবক পীননবগী পোবম পোথি অমা ফাওবা পুথোকপা ঙমদ্রবদি তম্নুরিবা মহৈ অদু নিংথিনা হৈরক্তে হায়বা লাপ্লোই। মশাগী গুন ব্রাৎপদগী থবক ফংদবা অদুসু কনা কনাদা তাইশিল্লবদি - " জগোই হৈত্রগা মাঙ্গোলদা তাইনবা" থোক্কনি। অতোনবা জীবনি হায়না লৌনরিবা শা-যন কয়াগী পোকপদগী শিবা ফাওবা অতোপ্পদগী মতেং থোইদোক্না লৌদনা হিংবা ঙমই। অদুগা প্রকৃতিনা শেম্বা জীব পুম্নমক্তগী মীওইবনা অথোইবনি হায়রগা মীশিংগী মনুংদা মশানা মশাবু থবক অমা ফাওবা পীবা ঙমদবা মহাক্তি খ্বাইদগী হেন্না তোল্লবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্রোই। মহৈরোইশিংনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌন্না মশাগী পাঙ্গলগী ওইবা থবক খরদং শুবগী হৈনবী থব্বা তাই। মদু নত্রবদি মখোয়না হয়েং চাওরক্রগা থবক নোম্বদা

অতনবা পোক্লককপা শোইদে। পৃথিবীগী লৈবাক কযানা চাওখৎপদা খম থেংলবা যুগ অসিদা হৌজিক্তা থনক ফংদনবগী সমস্যা নৈনবা অসিদি থেংমনবা থোক্কনি, অদৃগা ব্রাফম অসি অমনবা ওইবক্কনি হাযবা তাই। লাইবিক হৈববা মীশিংনা মশা মশাগী মাংদা তাদুনা লৈববা মখৌনু মশাগী পাঙ্গল, লৌশিং শিজিন্নদুনা মতম চানা পা'থোকপনা থবক ফংদবগী লাযনা কোকহন্ননবগী অফবা পাম্বৈ ওইগনি।



৪। রামজান অমসুং রোজা

অননাগী মাপল শবা থান "নমজান" কৌই। চহি অমদা থা ১০দগী নমিৎ ১ নিমূক হেন' লৈবা মনন্মা চহি অহুম অহুম শুদি গা কনিগুন্না থাদা অনি পাননা থা যাওনকপা অদু অননীগা থা পাবদাদি হব লৈতে। নমজান থাগা চান্নপা/মান্ননা মনিপুবাগা অকক্লনা থা লৈতে। কুমশি নমজানগা হিযাঙ্গেগা মান্নবম্বা অসি চহি অহুমগী মতুংদা নমজানগা মেবগা মানবক্কনি। অসুম্না চহি ৩৬কা মনুংদা নমজান থাগা মনিপুবাগী থা ১২গী থা খুদিংগা অমুক অমুক মান্নবক্কনি। মসিনা নমজানগা মনিপুবীগী থাচৎ পাবগা কনি মনী লৈননগে হাযবগী বাফমনি। চহি অমগী মনুংদা মুসলমানশিংনা বমজান থাবু মতিক মগুন্দা খ্বাযদগী চাওবা থানি

হায়না লৌনৈ। মসিগী মবমদি সংসাব অসিদা খোঙদানকখিবা প্রোফেট অযাম্বদা তাইবং মপুনা পীরকখিবা ধর্মগী শেংলবা পাউতাক অযাম্বা বমজান থাদনি হায। প্রোফেট ইব্রাহিমনা মপুগী মফমদগী ফংজখিবা "সহিফা" বমজানগী নোংমা পাম্বদা প্রোফেট মোসেসনা ফংজখিবা "টৌবা" বামজানগী তরুকনি পাম্বদা, প্রোফেট ডাবিদনা ফংজখিবা "জবুব" বমজানগী ১২নি পাম্বদা অমদি যিশু খৃষ্টনা ফংজখিবা "ইঞ্জিল" বমজানগী ১৩নি পাম্বদা ওইখি হাযনা ইসলামগী লাইরিকশিংদা ইনি। অদুগা প্রোফেট মুহম্মদ (ছ)না ফংজখিবা "কুবআন"দি তেংবাম্বা মপুগী মফমদগী অহানবদা বমজানগী ১৪নি পাম্বদা তাইবংগী স্বর্গদা থম্বীখি, মতম মতমগী দনকাব ওইবকপদা নপনা হজবত মহম্মদ (ছ) দা হকপেংননা অমদি মপুগী দূত জিব্রালগা মতেংনা তাঙ্কক নাইনা চহি ২৩দা থাদিনকখি। অসুম্না চহি ২৩দা তাইবং নপুনা পীবিনকখিবা ইসলাম ধর্মগী পাউতাক পম্বা ইবা শেংলবা লাইবিকপু "কুবআন" হাযনা মিংথোল্লি বমজানবু মুসলামনশিংনা খ্বাইদগী চাওবা অথোইবা শানি হাযনা শাংথানবগী অচৌবা মবম অমদি থা অসিদা বোজা তৌর্বনি।

"বোজা" হাযনা উর্দু লোনগী বাহি অসিগী অর্থদি অল্লাহবু নশিবা, কিবা অমদি হাযনা ইনবগাদমক অযুক্কা নেগুা অঙনবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা চাবা, থকপা অমদি মখান লিচৎ থাদোকপবু খওনৈ। মনিপুরী লোনগা বাহি অমনা "লোজা" গী অথ তৌবা যাদে। অদুম ওইনমক "বোম্বা"বু "চাকথবা," নত্রগ "চাহেন্বা," অদগা বমজান থাবু "চাবাহেন থা" হাযনা মখাম্ন লোনাবে। "বোজা," অমনোমদা হাযবগী কনাগুম্বা অমনা মনা নুংশিনবা মা অমগাদমক চবা হেন্দেকপা উম্বগুম মুসলমানশিংনা পুম্নমক্কী মপবু নুংশিবগাদমব থা অমা চুপ্পা বত্ত নসি তৌবা ওদ্রিবনি। নিগম নিত্রীদা থব থেম্নবসু পথিনীদা চৎনবিবনা ধর্ম অযাম্বনা চবা হেম্বগী চৎনবী লৈ। হজবত মুহম্মদ (ছ) গা মমাংদা লৈবম্বা প্রোফেটশিংগী মতমদা থা অমদা নুমিৎ হুর্মনি চবা হেম্বগী বত্ত তৌবা চৎনবর্ম্মী। চবা হেম্বগী লোযননা মৌন বত্ত হাযবদি বা ডাংদনা তুমিন্না লৈবসু যুগ অমদা চৎনবর্ম্মী। পনবা যাই কুব আননা তাকপা মতুং ইন্না, লৈশাবী ওইবিবী ধর্ম

চেল্লবী মেরীনা করম্না মচা পোক্রিবনো হায়না মীয়াম্না হংলকপদা মেরীনা ঈঙ্গিৎ তৌদুনা হায়খি, "তেংবাম্বা মপুনা পেনবীনবগীদমক ঐহাক ঙসি রোজাগী বর্ত্ত তৌরি, মরম অদুনা ঐহাক্কা কনাগুম্বা অমগা ব্রারী শানবা য়াদে, নখোয়না ঐভ্রেন্দা হংনিংলিবা ব্রাফম পুম্নমক ইচানিপাদা হংবা য়াগনি," হায়না অথোইবা মচানিপা প্রোফেট যিশু খৃষ্টদা খুদোম্বীনা ঈঙ্গিৎ তৌরম্মী। পোকপদা ঙাইরিবা মমাগী তম্পাক্তা লৈবা অঙাংগা করম্না ব্রারী শান্নবা য়াগদগে হায়না মীয়াম্না হায়রক্লবদা যিশুনা, খুদক্তা মীরোল থোক্তুনা হায়খি, "ঐহাক, তশেংবমক প্রোফেট অমা ওইনা সংসার অসিদা মপুনা থাবিরক্লবনি, অদুগা ঐবু পোকপী ইমা সতী অমনি।" রোজাগী মতাংদা খৃষ্ট পোকখিবী মেরীবু পনজরুবগী মরমদি মতম অদুদা রোজাগী বর্ত্ত পাঙথোকপদা মৌন বর্ত্তস্ তৌনরম্মী হায়বসিনি। ইসলাম ধর্মদা রোজাদা মৌন বর্ত্ত তৌবগী ব্রাফম লৈতে, অদুম ওইনমক ব্রা য়াম্না ঙাংলবদি অশোয়বা, অবানবা কয়া যাওখিদুনা পাপ লংশিনবা থোকপনিনা হজরত মুহম্মদ (ছ) না রোজা তৌরিঙৈদা বা য়াম্না ঙাংদনবা পাওতাক পীবিরম্মী।

ইসলাম ধর্মদা রোজাগী বর্ত্ত অসি করম্বা মতমদগী হৌখিবগে হাযবসু পনবা য়াই। তাইবং মপুগী ময়াথং হেক ফংজবগা মুসলমানশিংনা রোজাগী বর্ত্ত অসি থা অমা চুপ্পা পাংথোকপা হৌখিবসি হজরত মুহম্মদ (ছ) না খৃ: ৬২২ জুন ২০দা পোক্লফম মক্কা সহর থাদোক্তুনা মদিনা সহরদা লৈরবা মতুং অনিশুবা চহিদগীনি। "রোজা" মুসলমানশিংগী তঙাইফদবা বর্ত্ত ওইদুনসু অঙাংগী থাক্তা লৈরিবা নিপা-নুপীশিং, য়ুম থাদোক্তুনা থাপ্পা লংফৈ চৎপা মীশিং অমদি বর্ত্ত অসি পাংথোকপদা য়াম্না ব্রাগদবা অনাবা মীশিংদদি রোজা কোমথোকপা য়াই। লংফৈ চৎপশিংনা য়ুমদা হল্লক্লগা অমদি অনাবা মীশিংনা মখোয়গী অনাবা অদু ফরক্লগা মখোয়না রোজা তৌহৌদবা নুমিৎশিং অদু রমজান থা নত্তবা অতোপ্পা থাদা পাংথোকপা য়াই। "রোজা" খাংঙমদবা অব্রাবগী মশক ওইরবা বর্ত্ত নত্তে, থোইদোক্লা ব্রারিবদি কনাগুম্বা লমহেম্বা মুসলিমশিংনা রোজা তৌদববু অতোপ্পা মীশিংদা খঙহন্দনবা হোৎনবা অদুনি।

রোজা তৌবগী কান্নবা যাম্না লৈ। মসিনা চাবা তুমদবদগী পোক্লককপা লাযনা কযা কোকহল্লি, অখাঙ কন্বা অমদি পুক্নিংগী শক্তি হেনগৎহল্লি, অচুম অবান লাইনা থাইদোকপা ঙমহল্লি, হকচাংগী কযাৎশিংবু পুক্নিংনা লাইনা খুদুম চনশিন্দুনা অবান্বা লম্বীদা খোঙদাহন্দে, মীনুংশি হেনগৎহল্লি, সংসাবগী অপান্বা, মীহৌবা কযা থাদোক্কুনা লাইনিংবগী লম্বীদা চংশিলহল্লি, শুক্ত নোমজবগী মহৈ থোইদোক্লা যালহল্লি। মসিনা সংসাব অসিগী বানি। শিববা তুংদা লাক্কদবা অনিশুবা সংসাব অদুদা রোজা তৌখিবা মীশিং হাযবদি রোজাদাবশিংনা ফংগদবা মহেগী মবমদা ইসলামদা অসুম্না হায "জীবশিংনা, থোইদোক্লসু ঈশিংদা লৈবা, ঙা ফাওবনা রোজাদাবশিংগী পাপ কোকপীনবা অমদি মখোযদা স্বর্গ পীবিনবা মপুগী মফমদগী বব নীজবকপদা মপুনা পেনবিদুনা রোজাদাবশিংবু স্বর্গ যংহনবিগনি।" হজবত মুহম্মদ (ছ) না অসুম্নসু হাযবিবমই "স্বর্গগী থোংশিংগী মনুংদা থোইদোক্লা নিংথিজববা 'বৈযান' কৌবা অমা যাওবি। হাযবিবা অখন্নবা থোং অদুদা রোজাদাবশিংখক্তনা চংদুনা স্বর্গগী লৈকোন্দা লৈকগনি। বমজান থাদা মপুবু লাৎচবগী থৌনম অমা পাংথোকপদা ফংগদবা মহে অদুগা অতোপ্পা থাদা থৌবম ৭০ পাংথোকপগীগা মান্নে। রোজাদাবশিংনা মপুদগী নীজবা বব মপুনা হকথেংননা পীবিগনি। নোংম নোংমগী চবা হেন্বা লোযশিল্লকপা সন্ধা মতমদা রোজাদাবশিংনা মপুদা প্রার্থনা তৌজবা মপুনা লেম্না মাংহনবিদে। ইনাক খুন্বা মীশিংনা লাইব অনঙবা রোজাদাবশিংবু পীজ পীথক তৌবা ঙমখৈ লৈতনা মহৈ ফংই।"

ইসলামনা হায "বমজান থাগী অবোযবা নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা থোইদোক হেন্দোক্লা মগুন লৈববা অহিঙ অমা যাওবি। অহিঙ অদুদা পুম্নমক্কী মপুগী লাইনিং লাইশোন তৌবদা ফংবা মহে অদুনা থা লিশিং অমা লাইনিং লাইশোন তৌবগীদগী হেল্লি।" শিববা তুংদা লাক্কদবা, লোম্বা নাইদনা লৈকবগদবা অনিশুবা সংসাব অদুদা ফংলুগদবা চাওববা মহে অদুগীদমক মুসলামন কযানা থাজবগা লোযননা যুমগী অচিকপা কাদা নত্রগা মসজিদকী মনুংদা অহিঙ মিৎশেল খাংদুনা মপুবু লাৎচৈ। নোংমা নোংমগী মনুংদা নমাজ মঙাবক পাংথোকপতা নত্তনা অহেনবা

নমাজ কয়াসু পাংথোক্লে। ধর্মগী পাউতাক নিংশিংনবা, কুরআন পাবা অমদি অল্লাহগী মতিক মগুন শক-শোঞ্জবগা লোয়ননা মপুদা বর কয়াসু নীজদুনা অহিঙগী পুংজা কয়ামরুম তুমদনা লেপ্লে। থা অমা মপুং ফারবা তুংদা "রোজা" হায়বা বর্ত অসি লোয়শিল্লকপদা ইনাকখুন্নবশিংনা লাইরবশিংদা শেংন-চানবগী মতেং পীবিরগা ইদুল ফিটরগী উৎসব মুসলমানশিংনা পুন্না হরাও তয়াম্না পাংথোকই। লাইরবা রোজাদারশিংদা দান পীবা ইনাকখুন্না রোজাদারশিংগী অচৌবা হক অমনি। দান পীদ্রবদি ইনাকখুন্নবশিংগী রোজা তৌথিবগী মহৈ মপুং ফানা ফংলোই হায়না ইসলাম্না হাই।



৫। নুপীনা ঙস্না নিপা

য়ুরোপ মহাদেশকী খ্বাইদগী মরুওইবা তুবেল, ডেন্যুবনা ব্রেক ফোরেষ্টতগী হৌরক্লুনা জর্ম্মন ফাওরগা চেল্লিবা তুরেল অসিগী ওইথংবা নাকন্দা লোক্লস্বান্দগী থর থাপ্তক্লা লৈরম্বা, নোং শেংবা থাসির্গী অহিঙদা ইমুংদা ফন্নগা মথক্রোমদা য়েংখৎপদা থরান্নীচাক কযামরুম উরম্বা য়ুম মচা অদু রোসনগী নুপী মেরীগী ওইরমই।

রোসনদি মমা-মপাগী অতাঙবা, অমত্তা পোকচবা মচা ওইবনা, মমা-মপানা মহাকপু য়াম্না লুন-চান্না তৌরম্মী। সংসার অসিদা মমা-মপা ওইবনা কা

হেন্না লুনা তৌবদগী কেখোক-মৌখোক্কুনা লমহেন্বা মচা কয়া য়াওরবসু রোসনদি হায়বা ইনবা, মরম ওকপা নিপামচা অমা ওইরমই। মমিংতা তাবদা কিবনা নিক্কুরন্বা হিটলরনা জর্মনী লান্মী মশীং য়াম্না থুনা হেনগৎহন্নবগীদমক মরৈবাক্কী নিপা-নুপীশিং চহি নৌনা লুহোঙহন্নবগী থৌরাং তৌরক্রবদা চহি ১৭তা শুরিবা রোসনবু মমা-মপানা লুহোঙবিরগে খনগ্রে। অসুম্না মখোয়গী য়ুমগা য়াম্না নক্কুনা লৈবা চিতোরগী রানা রতন সিংহগী নুপী পাদমিনীগুম্না মশক মতৌদা চঙখোল্লবী মেরী কৌবী নুপী অমগা রোসনগা লুহোঙগ্রে। রোসন-মেরীগী লুহোঙবা অদুদা বার্তন ফংবা-ফংদবা থিদনা বর-কৈন্যা অনিগী মঙ্গল আশির্বাদ পীবিনবা মশীং লাকঙমদবা মী তিনখি।

ওহ্নোকপনি! মীওইবগী লমচৎ হিমালয় চীঙজাওগুম্না লেংদনা লৈবা মী তাংই। লুহোংঙবা নুমিত্তগী রোসনগী লমচত্তা অচৌবা পরিবর্তন অমা লাকগ্রে। মমা মপাবু নুংশিরন্বা রোসনগী থম্মোয় অদু হৌজিক মেরীদা পুল্লপ হৈথখরে। রোসন মহৈ-মশিং তম্বা তোক্রে; ইমুংগী থবক ইথ্বাংসু তন্দুনা ইশু শুদে; অদুবু অমরোমদদি রোসন তন্দ্রি। মেরীনা শু-নোম্বদা পকচগদবা থবক পুম্বদি মানা তৌরি। অসুম্না নিপা অমনা শুগদবা থবক পুন্বা থাদোক্লগা মেরীগী শিনফম মহাক্না মুন্দুনা শুরি। রোসনগী পুন্সিগী খোঙথাঙ অসিদা মেরীদি খমথেংনা হরাওজগ্রে; অদুগা কনাগুম্বনা পুন্সিগী লিচত্তা অফ-ফত্তগী মরমদা তাক-তিকপা পুম্বা মেরীগী নাকোংদা হাপখিদরে। মখোয় অনিগী লিচৎপু খ্বাইনা তুকৎচনগ্রে অমসুং মমা-মপানসু পেন্দ্রদুনা নোংমদি মমানা রোসন-মেরীবু মখোয়গী ওন্ন-তৈনবা লিচৎ চুমথোক্কবা অফবা পাউতাক পীরমই। মনেবোক্না হায়বা লোয়রম লোয়ফাত্রিঙৈদা মেরীনা খুম্নকখি, "নঙগুম্বনসু করি পাঙ্গল লৈরদুনা, নচানিপাদদি লাইরদুনা ঐগী লমচৎপু পানবা শারি। ঐহাক অসি নিপানা য়াদুনা লৈরিবা নুপীনি!" মেরীগী মতেং পাংলদুনা রোসন্না হায়রকই, "ঐখোয় অনিগী লিচত্তা ইমানা পান্নবা নতিক নত্তে, মতুং অমুক অসুম্না ঙাংলবদি নথব্রাই ফাওবা হিংবা লুই!" মখোয় অনিগী ওন্ন-তৈনবা ব্যেবহারনা থল্লবা ব্রাহৈশিংসি ঙসাই মখৈ তারন্রিবা রোসনগী মপুদু

খম থেংনা শাওখরে। হায়রকই, "খংলে, মমল য়াওদ্রবা নখোয় অনিগী নশক অদু অমুক হন্না উৎলরগনু, লৈমিন্ননিংদ্রে থম্মোয়সিনা ঐগী অৱাংগী ইংখোল অদুদা লৈরুরো, মিকুপ অমা ফাওবা মফম অসিদা লৈবা য়ারোই, চৎম্রো!" ৱাহৈশিংসি তাবদা অনিসি হরাওবনা লুতোন কাপ্ৰদুনা ময়া চপ মান্নবা কাথোরকই, "নুপ্ৰইরেদা হৌজিক্তি ! মীওইবগী পোকপগী নুপ্ৰইজবদু ইনিং থুংজরগনি ঐখোয়দি !" অসি হায়দুনা অনিদু মমাই হুৎ হুৎ লৈথোক্লুনা থিহ্নবা তৌদনা মপানা হাযবা মফম অদুদা পাংখরে।

ইংখোল অদুদা হেক থুংবগা মেরীগী পাউতাক মতুং ইন্না মতম খরগী ওইনা রোসন্না য়ুম অমা শানবা থৌরাং তৌবা তাখি। য়ুম শাননবগীদমক ইংখোল অদুদা হৌবা উ বা খর য়ানগে হেক থৌবাংলকপদা অকনবা নোং-নুংশিৎ অমা মখারোমদগী শিৎলকখি। নোংনা ফি-বোল পুম্নমক পুমচোৎ চোত্তুনা ইংবনা থক থক নিক্লবদা খব নকপা য়ুম অমদা নোং থুপলুনবা অনিদু সঙ্গাই তম্না পাইরক্লে' মতৌ অদুদা মখোয় মশানা ইকাইজদুনা য়ুম অদুগী মনিংগী ফক্লাংদা ঙাদুনা লৈরমই। ওহোকপনি! য়ুম অদুদা লৈরম্বা মীশিং অদুদি পুকচেল ফত্তবা, অরিকপা ঙাক্তা ওইবদগী খ্বাইনা নুংশিদদুনা মখোযগী মপোৎ-মচৈ ইতৎ-তত্তনা হুরানখিবদগী য়ুম অদুদা অতোপ্পা মী চংলকপা পুম্নমকপু হুরানবনি খল্লম্মী। মিকুপ অমগী মনুংদা ইমুং অদুগী অঙাং অমনা মতিন শিৎপা মনিংথোংদগী মপান্দা খোক্লকপদা অনিদুবু উরবদা লাউরকখি - "পাবা, হুরানবা লৈরে!" নোং নুংশিৎপু মাইথিবা পীবা মিকুপ অমা ফাদ্রিঙৈদা হেন্না শাথিবা য়েক্লবা অমা লাক্লবোইদো! মখোয়না অনৌবা লমদমদুদা অমুক হন্না পাইরক্লে মথৱাইশিং পুদুনা! নোং হাংখরে, নুমিৎ তাখরে; চানবা লৈতবদগী নুংদাং অদু চরা হেন্দুনা অনিদু ৱানা অহিঙ খাংখরে।

নোং হেক ঙানবগা বোসন্না উহৈ-ৱাহৈ খর থীরুদুনা মেরীগা মখোয় অনি চামিন্নরবা তুংদা কন্না নোমদুনা য়ুম মচা অমা রোসন্না ইখোল অসিদা লিংখরে। য়ুম অমসুং ইখোল মেরীগী মিংদা পানখরে। মথক্তা পনজখিবা য়ুম মচা অদু অনৌবা য়ুম অসিনি। রোসনগী লমচত্তা ঐখোয়না উরিবসি মহাক্কী পুন্সিগী হিরম

খুদিংদা মেরীনা মথক খোংনা লৈবনা মহাক্কী পেঙ্গবনি। মতাং অসিদা ঐখোয়না নৈনবা য়াবা অমনা, পৃথিবীগী লৈবাক খরদা পুন্সিগী থবক-থৌরমশিংদা নুপীনা নিপাগী মথক খোংবা উই; খরদনা নিপা-নুপী মান্নবা থাক্তা লৈবা য়াওই অদুগা খরদনা নিপানা নুপীদগী থাক ৱাংনা লৈ। থৱাইদা মান্ননা লৌরবসু প্রকৃতিগী খুশেমদা নিপা-নুপী অনিমক শকওং-শাদাদা অমদি পাঙ্গলদা মান্নদে হায়বা পুম্ন মক্না খঙই। পুন্সিগী থৌরমশিংদা নুপীনা নিপাগী মথক খোংলবদি প্রকৃতিগী খুশেমবু ঐখোয়না তানিং-তামাং ওহোক্রব গুম থোক্রোইদ্রা? হিরম অসিদি ঐখোয়গী থম্মোয়দা নৈম্নবা থমজরগা রোসনগী মখাগী পুন্সি পনজবনা শাফগনি।

হান্না পনজখিবগুম্না মেরীনা থবক অমতা শুরমদে। অদুগা রোসনদি মমাংঙৈদা তল্লম্বা পুম্নমক থাদোক্নুনা কন্না নোল্লমই। মহাক্না নোং ঙাল্লিঙৈদা হৌগৎলুনা মেরীবু পীজ পীথক তৌরবা মতুংদা উমংদা শীঙজম্বা হেক হেক চৎলি, অদুগা নুংদাংৱাইদা য়ুমদা হল্লকপা মতমদসু মহাক্না চাক থোংদুনা মাগী নুপীবু সেবা তৌদুনা পুন্সি লেল্লমই। নোংমদি মহাক্না শীঙজম্বা হল্লকপদা মেরী মচানিপা অমা পোক্লগ্রে। রোসন হরাওজবনা ঙমখৈ লৈখিদ্রে। থিন্দনমক মহাক্না অঙাং অদুগী নাওশুম অমা শাবদা অহিঙ অদ্ তুমহৌদনা নোং ঙানখ্রে।

নোংমদি বোসম্না উমংদা শাঙ যাল্লিঙৈ মতমদা কা হেন্না শু নোম্নগী দগুওইনা লাযনা অমগী মশক লৌরদুনা মশাগী কয়াৎ পুম্নবু অবাবা পীবা হৌরক্লে। উপালদা য়েৎপা উরিবু উপালদুনা তানথোকপা ঙমদবগুম মহাক্কী মশাদা পক্লিবা লায়না অদু হুন্দোক্রম্বা ঙমদদুনা ময়ুম তান্না পুরক্লে। মহাক্না তপ্না তপ্না লাক্লুনা ময়ুমদা য়ৌবকপদদি নুংদাংগী পুং নিপাললোম তাখবে। রোসন বামঁখিবনা ইমুংদা চংশিনবা ঙমহৌদদুনা মাঙ্গোন্দা শাংনা হাইথখরে। অবাবা খোঙ্গেন্না, "মেরা... মেরী" হায়না মীরবা খোঙ্গোক্তা কৌরকই। তৌইগুম্বসুং অবাবনি! মপুবোইবনা মতম চানা য়ুমদা হল্লক্লবদগী শাওদুনা মথন্তা চবেং চবেং ঙাংদুনা লৈবদগী মীরবা খোঙ্গেল অদু মেরীগী নাকোং য়ৌরকখিদ্রে। মাগী অঙাং অদুনা কপ্পকপদা, করিস খংদ্রিবা অদুবু "মপা যম্বোই," হায়না পন্দুনা চৈরমই অমসুং য়ুমদা হেক যৌরকপদা

